মীতৈ/মৈতৈনা এস টি চনবগী খোঙচৎকী মরাইবক

- গোপীমোহোন থোকচোম -

মণিপুরদা হৌখিবা নবেম্বর ২৫গী অহিং নোংয়াইদগী নবেম্বর ২৭কী অহিং নোংয়াই ফাওবা হায়বদি পুং ৭২গী ৱর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলনা কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অমা থেংনখ্রবগী মতুংদদি মণিপুরগী মীতৈ/মৈতৈগী মীওই লাখ ১৫.২২ (২০১১গী সেন্সস মতুংইন্না) অসিগী মফমদদি মীতৈ/মৈতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব (এস টি) দা চনবগী ৱারী তাখিদবা মীওই পংলৈ লৈরম্লরোইদ্রা নীংই। অদুবু হীরম অসিগী মতাংদা মীওই মখল ৩ রোম থোক্লা খাইদোকপা য়াব্রা খল্লি।

অহানবা কাঙবু : মীওই চাদা ৭০ হেনবনা এস টিদা য়াম্না থুনা চলাইবা পাম্লবা মীওইনা শারি। মখোয়না মাস রেল্লি অনী শিনখিবদুদা শরুক য়াই, বন্দ, সিট-ইন-প্রোটেষ্ট কয়াদা য়াওই। দোনেসন পীগল্লি। য়াম্না থুনা লৈঙাক্লা মথৌ তাবা ইথনোগ্রাফিক রিপোর্ট অমসুং সোসিও ইকনমিক সর্ভে রিপোর্ট শেন্দ্বীরগা, কেবিনেট মীফমদা পুথোকপীদুনা অয়াবা পীবিরগা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রি ওফ ত্রাইবেল এফেয়েরসতা রেকম্মেন্দেসন থাবীনবা লাই নীংজবা কাঙবুনি।

অনীশুবা কাঙবু : মীওই চাদা ২০ গুম্বনা দেম ক্যের কাঙবুনি। হীরম অসিগীদমক্তা মতম কাইথোকপা পাম্মুবা, কোক থাদবা য়াওদবা, বন্দ, সিট-ইন-প্রোটেষ্ট তৌবদা শাওনীংবা, শেলগী তেংবাঙ পীনীংদবা, এস টি চনবা ফংলসু য়াই ফংদ্রগসু য়াই, হয়েং ফংলবা মতুংদদি মাগীসু শরুক অদুম য়াওরগদৌবদুবু হায়না খনবা, হৌজিক হৌজিক্কী সিটিং এম এল এ মরক্তসু নোংমদা হীরম অসিগী মতাংদা ময়া কাথোকপা ঙমজদবা য়াম্না য়াওরি। অনৌবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট মরক্তসু এস টিগী মরমদা হংলগা সেদ্যুল্ড কাষ্টকী ৱারী ওইনা পাউখুম পীবা, 'নো এস টি নো ভোট' হায়রগসু ভোট লেপ্পদা কাদুনা থোইগেরা, পোগেরা ইয়া য়াবা কয়াদুসু কাঙলূপ অসিগী মনুং চল্লিবনি।

অহুমশুবা কাঙবু : মীওই চাদা ১০ গুম্বনা মীতৈ/মৈতৈনা এস টি লিষ্ট চনবগী মতাংদুগী য়াম্না কন্না য়ানীংদবা কাঙবুদু শারিবনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৭কী এসেমব্লি মীখল মমাঙদা ফোঙখিবা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গী মেনিফেষ্টোদদি মীতৈ/মৈতৈবু এস টি ওইনা চলহনবদা শৌগৎকনি হায়খিবা অমত্তা ঙাইবা পোলিটিকেল পার্টিনি। মতম অমদা মখোয়গী মায় পাকখিবা এম এল এ মরিমক কেবিনেট মিনিষ্টর ওইবিরম্বনি। অমুক্তসু চীংগী এম এল এ অমনা ত্রাইবেল এন্দ হিলসকী পোর্টফোলিও ফাওবা পায়বিরম্বনি। ইকায়খুম্নজরিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা মাগী কনফরেন্স রুমদা মীটিং অমা শিনবীখি। আশা কয়া শাগৎচখি। অদুবু লাইবক থীবদি ঙসি চহী ৪গা থা ৮গী মতুংদসু ইস্যু অসি হান্নগী মফমদা লেঙদনা অদুম তাদুনা লৈরি। হন্দক্তা ক্ষেত্রিগাও এ সীদা পাঙথোকখিবা এন পি পিগী ইলেক্সন কেম্পেন মীটিং অমদা মণিপুরদা লৈরিবা মীতৈ/মৈতৈ অমসুং মৈতৈ পাঙলগীসু এস টিদা চনবসু শৌগৎলগনি/ফোঙদোকপীখিবসু লৈখ্রবনিনা এন পি পিগী অনৌবা কুমজা ২০২২গী ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদসু এস টিগী ৱাফমসি শোয়দনা য়াওরক্লগনি হায়না থাজে। য়েংবা নুংঙাইরিবদি মণিপুরগী অচৌ অচৌবা পোলিটিকেল পার্টি ২, খরা পিকথবা এম এল এ অমা ফাওবা লৈজদবা ময়ামসিদি মখোয়গী মেনিফেষ্টোদদি মীতৈ/মৈতৈনা এস টিগী লিষ্টতা চলহনগনি হায়বা মতাংগীদি পনবিরক্কনি হায়বসি শুকথা থাজবা ঙম্লোই।

এস টিদা চল্লগা করি করি কান্নবা ফংগদগে? মীতৈ/মৈতৈনা এস টিগী লিষ্ট চল্লগনি তম্পাক্কী লম চাদা ৮দগী চাদা ১০ অসি ঐখোয়গী রিজার্ভ লম ওইরগনি, অতোপ্পা ফুরুপনা লৈগে হায়রবদি য়াম্না তোঙানবা পর্মিসন অমা চঙগনি, মদুনা লম মখেদু প্রোটেক্ট তৌরগনি। মথংদা এসেমব্লি সিটশিংদু এস টিগী রিজার্ভ সিট ওইরগনি। এস টি নত্তবনা লৈরবসু ভোট লেপ্পদি য়াররোই, এস টি ওইদ্রগদি। অমরোমদা লম মপুদি ওইবা শুকয়া য়াররোই, অশানবা য়ূমদা লৈবদি য়াগনি অদুবু আই এল পিগী চৎন-কাঙলোননা মখোয়বু কোনশিনগনি।

লাইরিক লাইশু তম্বগী মতাংদদি : শোত্থরবা কাঙলূপ অমগী থাক ৱাংখৎহন্নবগীদমক্তা মহৈ মশীন ফজনা তম্বা ফংহনবা অমদি থবক শুফম নোম্ফম ফংহন্দুনা মখোয়গী শেন্থোক হেনগৎহন্দুনা চাং মান্নবা ফীভম য়ৌবা ঙম্নবগীদমক হীরম অনীসিদা হেন্না খুদোংচাবা থম্বীরি। মেনলেন্দ (ইন্দিয়া) গী খ্বাইদগী ফরবা মহৈ তমফমশিংদা মীতৈ মচাশিং লাইরিক তম্বা ফংলগনি। স্কোলরশিপ চাওনা ফংগনি।

মহৈ তম্বগী মতাংদা জৱাহর নবোদয়া বিদ্যালয়া (জে এন ভি) শিং মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট অয়াম্বদা লৈ। মখোয়গী স্কুলসিদা মীং চনবা হেক ফংখিবগা থাগী ট্যুসন ফী, হোষ্টেল ফী করিমত্তা পীরোই, স্কুল য়ুনিফোর্মসু লেম্না ফংগনি। ফমুংদা তুম্বগী আইটেম হায়বদি মোম্পাক, কাঞ্চল, ফৈজুপ, মোম্পাক ফিদক, টৈইলেট আইটেম হায়বদি সাপোন, টুথ ব্রস, টুথ পেষ্ট পূম্নমক থা খুদিংগী লেম্না পীরিবনি। লৈরিবা মহৈরোয়দুনা স্কুলদা লৈবদা নৎত্রগা য়ূমদা হনবদা শীজিন্নবা ফিরোল, বালটিন, চানবা পুখম, টেঙ্কোৎ, গ্লাসখত্তমক পুরক্কনি। অসুম্না জে এন ভিগা মান্নবা মওংদা এস টিগী মহৈরোয়শিংগী ওইবা আশ্রম স্কুলশিং, ইক্লভ্যা রেসিদেন্সিএল স্কুলশিং অমসুং নুপীমচাশিংগী ওইবা কষ্টরবা গান্ধী রেসিদেন্সিএল স্কুলশিং লৈরিবনি। অদুবু লাইবক থীবদি হায়রিবা মণিপুরদা লৈবা স্কুলশিং অসি ফজনা য়েংশিনবীদবনা মপূং ফানা মহয় চাবা ঙমদ্রি। মীতৈ/মৈতৈনা এস টিগী মনুংদা লৈরক্লগদি অসিগুম্বা অৱাৎ অপা কয়াসি ঐখোয় পূন্না য়েংশিনমিন্নদুনা য়ং-য়ং লাওবা শেল চঙদবা মহৈ তম্ফমশঙ ওইদুনা য়াম্না ফবা ফীভম অমা শেমগৎপা য়াগনি।

এস টি মহৈরোয় অমনা লৈঙাক্কী নৎত্রগা লন্নাইগী স্কুল অমদা তম্বদা মহৈরোয় খুদিংগী চহীগী বুক গ্রান্ট, থাগী ফী হুনবদা মতেং ওইগদবা ষ্টাইপেন্দ/স্কোলরশিপ, মীং চনবদা হন্থবা মার্কনা য়াবা, চহী খরা লিরবসু চহী খরা কোমথোকপগী খুদোংচাবা ফংবা য়াবা, মীংজল ফোর্মগী মমলসু হন্থবা য়াবা লৈরি। মরম অসিনা দ্রোপ আউট মহৈরোয় মশীংসু য়াম্না হন্থহনবা ঙমগনি। ক্লাস টেনদগী ত্বেলভ ফাওবগী এস টি মহৈরোয় অমনা পেকেজ গ্রান্ট ওইনা ফংবা লুপা ১৫,০০০ চহীগী দিগ্রি অমসুং পোষ্ট গ্রেজুএট তম্বা এস টিগী মহৈরোয় অমনা মাগী ইমুংগী চহীগী ইনকম লুপা ২,০০,০০০গী মখাদা লৈরবদি ইন্দিয়াদা লৈবা ইন্সটিট্যুসন ১২৭দা (গভর্ণমেন্টকী ওইবা/প্রাইভেটকী ওইবা) সিট ৫/৫ খাকপদুদা পূম্বা মশীং ৬৩৫ চহীগী স্কোলরশিপ থল্লি। মসিগী মথক্তা মেনেজমেন্ট, মেদিকেল লাইন, এঞ্জিনিয়ারিং, লো অমদি কম্মর্সিএল কোর্স তম্বদা লুপা ২,০০,০০০ চহীদা ফংবা য়াওরি।

এম ফিল/পি ঐচ দি চহী মঙা তম্বগী ফেলোসিপ জুনিয়র রিসর্স ফেলোসিপ (জে আর এফ) চহীগী লুপা ৮,০০০ (অহানবা অমসুং অনীশুবা চহীগী) অমসুং সিনিয়র রিসর্স ফেলোসিপ (এস আর এফ) চহীগী লুপা ৯,০০০ (অহুমশুবা, মরিশুবা অমসুং মঙাশুবা চহীগী) ফংবগী মথক্তা কন্টিঞ্জেন্সিগী ওইনা হ্যুমেনিটিজ অমদি সোসল সাইন্সেস কাঙবুগীনা চহীদা লুপা ১০,০০০ (অহানবা অমসুং অনীশুবা চহীগী) চহীদা লুপা ২০,৫০০ (অহুমশুবা, মরিশুবা অমসুং মঙাশুবা চহীগী) সাইন্স লৌবা কাঙবুদনা চহীদা লুপা ১২,০০০ (অহানবা অমসুং অনীশুবা চহীগী) চহীদা লুপা ২৫,০০০ (অহুমশুবা, মরিশুবা অমসুং মঙাশুবা চহীগী) ফংবা য়াবা লৈ। মসিগী মথক্তা দিপার্টমেন্টেল এসিষ্টেন্স চহীগী লুপা ৩,০০০ অমদি য়ূম অরৈমল ওইনা য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিসন (য়ু জি সী) গী রেটতা ফংবা য়াবসু লৈরি।

মসিগী মথক্তা রজিভ গান্ধী নেসনল ফেলোসিপ (আর জি এন এফ) কী মখাদা চহী খুদিংগী য়ু জি সীনা মিনিষ্ট্রি ওফ ত্রাইবেল এফেয়েরসকী মতেং ওইনা মীওই ৬৬৭তা চহী খুদিংগী পীরি।

এস টিগী মহৈরোয় অমনা কম্মর্সিএল পাইলোটকী লাইসেন্স ফংলবা, ত্রেনিং তৌবা মতমদা চহীদা লুপা ৩.৭২ লাখ ফংবা য়াবদুগী মথক্তা লিভিং এক্সপেন্সেস ওইনবা থাগী লুপা ২,২০০ অমনে, লাইরিক লাইশু অমসুং ষ্টেস্নেরিগী ওইনা চহীদা লুপা ৩,০০০ অমদি খ্বাইদগী লেটেষ্ট ওইবা কম্প্যুটর সিষ্টম অমদি এক্সেসরিজ লৈনবা লুপা ৪৫,০০০ ফংবসু য়াওরি।

নেসনল ওভর্সিজ স্কোলরশিপকীদমক এস টি মহৈরোয় অমনা ইন্দিয়াগী মপান্দা পি জি কোর্স তম্বা, পি ঐচ দি অমদি পোষ্ট ডোক্টরেল রিসর্স প্রোগ্রাম ওইনা এঞ্জিনিয়ারিং টেক্নোলোজি অমদি সাইন্সকী হীরমদা তম্নবগী ট্যুসন ফী, এদ্যুকেসনল ফী (ফোরেন য়ুনিভর্সিটিগী রেটতা) মেন্টিনেন্স অমদি অতৈ গ্রান্ট অমদি হঙ্গৎ হন্দা চথোক চৎশিনগী শেল য়াওবা এৱার্দ চহী খুদিংগী সিট ১৫ লৈরি।

এস টি মহৈরোয় অমনা য়ু পি এস সীনা লৌবা সিভিল সর্ভিসেস/রাজ্যগী সিভিল সর্ভিসেস/সী দি এস/এন দি এ/মেদিকেল/এঞ্জিনিয়ারিং/বিজিনেস মেনেজমেন্ট/রেলৱে রিক্রুটমেন্ট বোর্দ/ইন্সুরেন্স কম্পনি ময়ামদু থাবগী ফী কোচিংগী মথক্তা থাগী ষ্টাইপেন্দ লুপা ১,০০০ অমসুং লৈফম চাফমগী থা খুদিংগী লুপা ২,০০০গী খুদোং চাবসু লৈ।

পূম্নমক অসিগী মথক্তা এস টিগী মীওই অমনা গভর্ণমেন্টকী কর্ম্মচারি ওইদুনা মশাগী ষ্টেট অদুদা পোষ্টিং তাদুনা লৈরবদি ইনকম টেক্স থিরোই। অসুম্না কন্ট্রেক্টর/সপ্লাইয়রগী শিনফমদা লৈবা এস টিগী মীওই অমগী বিলদগী ইনকম টেক্স দিদক্তেদ এট সোর্স (টি দি এস) কক্তনা চ্যেক ফংবা য়াগনি। অসুম্না মীতৈ/মৈতৈগী মরাইবক্তা হৌখিবা চহী ৭২ রোমসি খুদোংচাবা ময়াম অসি লৌবা হৈতনা, খঙবী-উবীদনা খুদোংচাবা কয়া মাঙজদুনা লাকখ্রবা লাইবক থীবা ফুরুপ অমা ওইদুনা লৈরক্লিবনি।

মণিপুরগী রিজার্ভেসন পোলিসিগী মতাংদদি হৌজিক্কী জেনরেল ক্বোটাদু প্লেন এস টি কাঙবুগী ওইহৌবদা থোইনা কাইরোইদ্রা খল্লি। ওল ইন্দিয়াগী ওইনদি অপূনবা ইন্দিয়াগী এস টি পোপ্যুলেসন এস টিগী ক্রোর ৪৫গী মনুংদা ঐখোয় লাখ ১৫গা থেংনগদবনিনা চাদা ৭.৫ ওইরবসু কাইদে। জেনরেল/ও বি সীগী ইন্দিয়াগী মীওই ১৩০গা লম্বা থেংনবদগীদি হেন্না ফৈ।

অতোপ্পা থেংনজখিবা ৱাফম অমনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি ওফ মণিপুর (এস টি দি সী এম) গী মরু ওইবা থৌপুবা মীওই তরুক্লা শাবা খূৎপু অমনা কুমজা ২০১৩গী জুলাই ১০দা ঐখোয়গী এম পি ডা. থোকচোম মৈন্যনা লুচিংবীদুনা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর শ্রী মনমোহন সিংহগা উনরে। মেমোরেন্দম পীশিল্লে। শ্রী মনমোহন সিংহদা কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট লৈখিদ্রবা য়ূম্নাম মোহেন্দ্রনা মখোয় লাকপগী ৱারী ৱাখোঙ খরা লিরুবদা শ্রী সিংহনা "We have already offered you S.T. status but you Meitei did not accept it" হায়বিরকখি। প্রাইম মিনিষ্টরদা পীখিবা মেমোরেন্দম অদু মিনিষ্ট্রি ওফ ত্রাইবেল এফেয়েরসতা অমুক পীবিরকখিবগী আই দি নম্বরনচিংবা ঐখোয়গী এস টি দি সী এমগী প্রসিদেন্টতা থারকখ্রে। অসুম্না মিনিষ্ট্রি ওফ ত্রাইবেল এফেয়েরসনা গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দিরেক্টর, দিভেলপমেন্ট ওফ সেদ্যুল্ড কাষ্ট এন্দ সেদ্যুল্ড ত্রাইবতা কুমজা ২০১৩গী মে ২৯দা মীতৈ/মৈতৈগী ইথনোগ্রাফি রিপোর্ট এন্দ লেটেষ্ট সোসিও ইকনমিক সর্ভে রিপোর্ট to be framed by a firm of repute along with recommendation পীগদবনি। মসিদা পল্লিবা 'firm of repute' হায়বসি মমিং চৎপা Publishing house and writing compiled and framed by a team of 3/4 eminent writers হায়বা মান্না উজে। নীংশিংবা য়াই, কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা মৈতৈ পাঙলগী সোসিও-ইকনমিক সর্ভে রিপোর্ট অমা দাইরেক্টোরেট ওফ ইকনমিক্স এন্দ ষ্টেটিষ্টিক্স এন্দ দাইরেক্টোরেট ওফ মাইনোরিটিজ এন্দ অদর বেকৱার্দ ক্লাসেসনা হান্না কুমজা ২০০৬তা ফোঙবীখিবা লৈখ্রে।

অসুম্না চিথবা হায়বসু য়াগদ্রা? হীরম অসিগী মতাংদা ইকায়খুম্নজরিবা শ্রী ওক্রম ইবোবীনা ঙম্লমদ্রবদুবু ইকায়খুম্নজরিবা শ্রী নোংথোম্বম বিরেননা করি মতিক লৈদুনা ঙমগদৌরিবনো? শ্রী এন বিরেনদসু পাঙ্গল শক্তি অমদি খূৎলায় লৈতে। মরমদি মিনিষ্ট্রি ওফ ত্রাইবেল এফেয়েরসনা থারকউ হায়রিবা (ক) ইথনোগ্রাফিক রিপোর্ট অমসুং (খ) সোসিও ইকনমিক সর্ভে রিপোর্ট অনী অসিদি শেম শাবদা মণিপুর লৈঙাক্লা শেল অপাম্বমখৈ পীগে হায়রবসু নুমিৎ ১০/২০দা শেম্বা ঙমগদবা রিপোর্ট নত্তে। হৌজিকসু শেম শাবিনবা মী নেক্ত্রি, করিসু থৌরাং তৌদ্রি। হায়রিবা রিপোর্ট অনী অসিগী মপূং ফাবগী মতুংইন্না মীতৈ/মৈতৈনা এস টি লিষ্ট চনবগী মরাইবক অসি লেপকদৌরিবা অরুবা রিপোর্টনি। হায়রিবা রিপোর্ট অনী অসি Registrar General of India (RGI) নৎত্রগা Census Commissioner, Anthropological Society of India, Historical Society of India, National Commission for Scheduled Tribe, Ministry of Tribal Affairs, Ministry of Home Affairs, Ministry of Social Justice and Empowerement গী গেট ময়াম অসি লান্দুনা য়াম্না কূপ্না স্ক্রুটিনি তৌরগা য়াবীরগদি মদু সেন্ত্রেল কেবিনেট য়ৌরক্কনি। মথংদা পার্লিয়ামেন্টকী হাওস অনীমক্তা পুখৎলগা খন্নদুনা য়ারবা মতুংদা প্রসিদেন্ট ওফ ইন্দিয়াদা থাখ্রগনি। প্রসিদেন্টকী অয়াবা পীরবা মতুংদা মীতৈ/মৈতৈবু ৩৫শুবা মণিপুরগী এস টিদা চনবা ফুরুপনি হায়না প্রসিদেন্সিএল ওর্দর থোরক্কদবনি হায়বসি মীয়াম্না খঙবীবা নুংঙাইগনি নীংজৈ।

অরোইবদা মীতৈ/মৈতৈগী এস টি চনবগী চপ লেপ্পা লৈখিবা মতাং অসি কুমজা ১৯৮১গী রেকোর্দ অসিগী মখা লৈত্রি। Do No. 1/114/81-CM Dt. 18th December, 1981 Meiteis - The State Government did not specifically recommend the case of Meitei that they possess no characters of the tribes in correct. Meitei was formed by seven tribes in the long past. They are Hindus assuming the status of Kshetriya caste in the ladder of Hindu castes. They are dominant group in Manipur. They have been now included in the list of other Backward classes. There is no need of listing in the list of scheduled tribes now.

আশা তৌই - থিংজিন্দুনা থম্বদগী খাংবা ঙমজদ্রবা মীতৈ/মৈতৈ চা কয়ানা শাওরক্তুনা লাক্কদবা এসেমব্লি মীখলদা অচৌবা পার্টি অনীগী মায়োক্তা ভোট পীরক্তুনা অঙকপা কুক্কে অমা উৎলকপসু য়ারিবনি। অদুবু মদু থোক্তবা ওইসনু হায়না ঐখোয় পূম্নমকপু শেন্বীবা মপু মাগী খুয়াদা চঙজরি।

ষ্টেটকী পাউ

বঙ্গলা অৱ্রেটিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): শ্রিদিনা শিন্দুনা অগরটলাগী রবিন্দ্র ভবনদা ভারত বঙ্গলা অৱ্রেটিগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ভারত বঙ্গলা অৱ্রেটিগী থৌরম অদুদা ট্রিপুরাদা লৈবা মীতৈ নীংঙোল সরিতা অমদি মহাক্কী কাংবুনা হীজম ইরাবোতকী শৈরেং ইমাগী পুজা মীয়ামদা পাথোক্তুনা তাহনখি। থৌরম অদুদা টি লৈনা, নেপ্রম মোধুমিতা, অমিতা শর্ম্মা, কেঐচ রঞ্জনা, কে অবুরবিতা, কেঐচ সঞ্জনা অমদি টিঐচ অমিতাসু শরুক য়াখি হায়রি।

কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): ককচিং এ সীগী মীরেপ ওইগদৌরিবা আই এন সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট য়েংখোম নিলচন্দ্রগী য়ুথ কম্মিটিনা শিন্দুনা ককচিং খুলেন পাজি লৈকায় লৈশাংবম পরেংদা লৈবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটকী য়ুমদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মীওই ৬০ রোমনা কোভিদ ভেক্সিন কাপখি হায়রি।

লাইফমলেন থুগায়রগা ক্বাটর শাবা লেপ্পু : ইবোমচা

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): লাঙ্গোল গেম ভিলেজ জোন টু অমসুং জোন ৩ অনীগী মরক্তা লৈরিবা লাংওন ইমাগী হৌরকঙৈগী লাইফমলেন থুগায়রগা পি দি এনা ক্বাটর শানবা হোৎনরক্লিবা অসি খুদক্তা লেপকদবনি হায়না মাইচৌ নীংশিং লুপ খুরাইগী এদভাইজর সিনাম ইবোমচা খুমননা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, লাইফম অসি লাংওন ইমাগী লাংওনফম ওইনা লৈরক্লবা মফম অমনি। লুরবা লাংওন ইমা সেমোইনু লাংওনফম লাইফম অসি মুথৎলগা পি দি এনা ক্বাটর শান্নবা থবক তৌরিবা অসি খুদক্তা লেপত্রবদি মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারগনি। ক্বাটর শাবদি তরাম্না ওকই, অদুবু লাংওন লাইরেম্বী ইমাগী লাইফমদা শাবদি ঐখোয়না য়াবা ঙম্লোই।

সী এমগী মীৎয়েং মখাদা ইমাগী লাইফমলেন অসি য়াওনা কংলৈসিগী লাইফমলেন কয়ামরুম থবক থৌরম কয়া পায়খৎলিঙৈদা পি দি এনা ইমাগী লাইফমলেন থুগায়বা হৌদুনা ক্বাটর শান্নবা হোৎনরক্লিবা অসি তৌফম থোক্তবনি। অতোপ্পা লাইফমলেনশিংবুনা কল্লগা সেমোইনু ইমাগী লাংওনফমবু থুগায়দুনা ক্বাটর শান্নবা হোৎনরক্লিবা অসিগী মরুমদা করি লৈবগে হায়বসু খঙনিংই। লাইফমলেন অসি য়াম্না লুবা মরম্না করিগুম্বা অসিগুম্বা থবক অসি তৌরবদি লৈবাক মীয়াম অৱাবা, লৈঙাক মপু অমদি লৈঙাক্লোইশিংসু অৱাবা নংগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

১১শুবা মপোক নুমীৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): মণিপুর মুস্লিম ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও) গী ১১শুবা মপোক থৌরম ঙসি জি এম হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি জি এম হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এম এম দব্লিয়ু ওগী প্রসিদেন্ট এস কে ৱাজিদ সাহনা ফোঙদোকখিবদা চীংদা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী এ দি সী বিল পাস তৌগদবনি অমদি তম্পাক লমদনা মৈতৈ/মীতৈবু সেদ্যুল ট্রাইবকী লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়না দিমান্দ তৌরি। মসিদা হায়জনিংবদি মণিপুর ইরমদম অসি ফুরুপ কাংলুক কয়ানা পুন্দুনা চীংলোন মাপননা পনঙাক্লগা লৈবা মফমনি।

মহৈরোলদগী নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরক্লবা অসিদা মাগী-মাগী ফুরুপ কাংলুপগী অপিকপা ৱাখল্লোলদা তৌনিং-তৌনিংবতা তৌরকপা ৱাখল্লোল অসি ঐখোয় পূম্নমক্লা য়াম্না থাপ্লা থম্মিনখ্রসি। মদুগী মহুৎতা পুন্না চাওখৎনবগীদমক ইকোনোমি অমদি এদ্যুকেসনগী মায়কৈরোমদা চঙশিল্লসি হায়খি।

নাগালেন্দদা মীচম ১৩ হাৎলিবা অসি আফ্সপাগী মরুমদনি। থৌদোক অসি মণিপুরদসু থোক্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মরম অদুনা ঐখোয় করি-করম্বা থবক পায়খৎহৌসিগে হায়বরোমদা ওইনা খন্নহৌবনা চুমগনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ইপসাগী ভাইস প্রসিদেন্ট কেঐচ অথৌবা অমদি হেরিকোনগী প্রসিদেন্ট এল রটনকুমারনচিংবসু শরুক য়াদুনা মণিপুরদা তোঙান-তোঙানবা ইস্যু কয়াদা য়ুম্ফম ওইরদুনা মতৌ করম্না তংদু-লৈতনা পুন্না হিংমিন্নবা ঙমদগে হায়বগী মতাংদা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি।

আর্ট এগজিভিসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): লোক্তাক ফোকলোর ম্যুজিয়মনা শিন্দুনা নুমীৎ ৩নি চুপ্পা চৎথগদবা কালেন আর্ট এগজিভিসন অমা থাঙ্গ তোংব্রম লৈকায়দা পাঙথোক্লগনি হায়না লোক্তাক ফোকলোর ম্যুজিয়মগী ফাউন্দর তোংব্রম অমরজিৎনা ফোঙদোরক্লি।

কালেন আর্ট এগজিভিসন অসিগী থৌরমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেলর প্রো. পাউনম গুনিন্দ্রো, আই পি আরগী দিরেক্টর বালকৃষ্ণ, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি এৱার্দি আর কে বুধিমন্তা কর্টা, সাহিত্য একাদেমি এৱার্দি সরতচান্দ থিয়াম অমদি প্রোমিনেন্ট আর্টিষ্ট লাইরেঞ্জম জয়চান্দনা মথং শিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি। কালেন আর্ট এগজিভিসনগী থৌরমগী মনুংচন্না কলচরেল প্রোগ্রামশিং উৎপগা লোয়ননা মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচরবু পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা তোংব্রম অহোংজাউ মৈতৈ আর্ট এৱার্দ-২০২১ অমসুং ওইনাম অমুরৈ দেবি মেম্মোরিএল ফোটোগ্রাফি এৱার্দ ২০২১ নচিংবা মনাশিংসু লান্থোক্কনি।

ꯊꯕꯛ / JOB FOR X AND XII PASS

"NO DEPOSIT REQUIRED"

Manipurgi manungda oigadaba houjik houjikmak darkar oiriba tongan-tonganba official staff 81 (Male-44/ Female-37) gidamak candidate shingdagi athubagi oina thabak koujari. Mashagi chahi 30gi manungda leiba Class X and XII amashung Graduation tamliba meeoisingna thabak ashi apply toubiraba yagani.

Earning Rs. 7,000 to Rs. 35,000 (PM)

Facilities : Lodging + Fooding + Free tour

Apply toubiningba meeoisingna 12 noon dagi 3 pm phaobagi manungda eshagi Biodata ga loinana office ta lakpiyu.

Contact : 8812023893
and 9774986962

HL-P/0809/2,6,8,10/12

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KHONGJOM

Ref. Mutation Case No. 507/SDC/KJM **Dt. 03/12/2021**

1. Pukhrambam Ranjana Devi W/o P. Sanatomba Singh of Tentha Heibung
2. - do - Sharat Singh S/o Late P. Selungba Singh of - do -
3. - do - Ningthoubi Singh S/o Late - do - of - do -
4. - do - Tomba Singh S/o Late - do - of - do -

- Petitioners

-Vs-

Late Pukhrambam Selungba Singh S/o Late P. Chaoba Singh
of Tentha Heibung (Co-Pattadar No. 1) - OP. Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Khongjom dated, 3rd December, 2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Co-Pattadar No. 1 Pukhrambam Selungba Singh গী শরুক Khongjom Tahsil Village No. 37-Tentha গী Patta No. 1135, 383, 391, 902, 407 (Old), 422 (New) Patta গী No. 1218 Dag গী .4150 Hectares চাওবা Ingkhol অসিগী মনুংদগী মনাওনুপাগী মমৌনুপী দংকারিনি No. 1 শুবীগী শরুক অৱাং থংবদা .1376 Hectares, মচানুপা দংকারি 2 শুবগী শরুক ময়াইদা .0925 Hectares, মচানুপা দংকারি 3 শুবগী শরুকসু ময়াইদা .0925 Hectares অমসুং মচানুপা 4 শুবগী শরুক মখা থংবদা .0924 Hectares চাওবা Ingkhol শরুকশিং অসি মখোয়গী ফংফম থোকপা শরুকশিংনি হায়দুনা মখোয় মখোয়গী মিংদা নামা পানবীনবা হায়দুনা ঙসি 03/12/2021 দা Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। Patta অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ (৭) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাবীরকপা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি Court অসিনা লৌজরোই। হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

Sd/- **N. Vomendro Singh**
Sub-Deputy Collector, Khongjom

HL-P/0865/8

[illegible]

IN THE COURT OF CIVIL JUDGE SR DIVISION, IMPHAL WEST, AT LAMPHELPAT, MANIPUR

Original Suit No. 13 of 2020

Smt. Rajkumar Ongbi Langlen, aged about 52 years, W/O R.K. Dorenchand Singh, resident of Kwakeithel Leimakhujam Leikai, P.O. & P.S. Imphal, Imphal West District, Manipur.

- Plaintiff

-Versus-

(1) Lee Faith School, Haorang Block, Sangaiprou, Imphal West, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District represented by its Secy./ President
(2) T. Khanthang, aged about 45 years, S/O. Late Phungjathang Tonsin.
(3) T. Khumei, aged about 43 years, D/o Late Phungjathang Tonsin.
(4) T. Chinghoih, aged about 41 years, D/o Late Phungjathang Tonsin.
(5) T. Lulun, aged about 29 years, S/o Late Phungjathang Tonsin.
(6) T. Lalpu, aged about 26 years, D/o Late Phungjathang Tonsin.

All are the residents of Paite Veng Sangaiprou P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur.

SUBSTITUTED SERVICE OF SUMMONS UNDER ORDER V RULE 20 CPC. 1908

Whereas the above Defendants no. 2 to 6 have avoided the service of summons keeping themselves out of the way issued by this court in connection with the above mentioned case, means of ordinary method of serving summons with process servers of this court having been ineffective this court passed order the service of summons to the said Defendants by an advertisement in the newspaper.

Further the Defendants are hereby directed to appear before this court on 6th January, 2022 at 10.30 am in person or by a pleader duly authorized and also to file on that day, their written statement and to produced documents if any.

Take notice that, in default of your appearances on the day and time before mentioned, the case shall be heard and determined in your absence.

Given under my hand and seal of this court this the 2nd day of December, 2021.

Seal
By : Advocate
HL-P/0858/7,8

Sd/- **Judge**
Civil Judge Sr Div.,
Imphal West, Manipur



HJ GOVERNMENT OF MANIPUR
PUBLIC WORKS DEPARTMENT

ꯇꯦꯟꯗꯔ ꯈꯪꯍꯟꯕ / TENDER NOTICE NO. 11
Dated, Imphal the 4th December, 2021.

The Executive Engineer, Electrical Division No. III, P.W.D., Manipur invites sealed tenders in P.W.D. form - 7 on behalf of the Governor of Manipur from the approved and eligible registered Electrical Contractors of P.W.D., Manipur. The tender has to be opened at 2.00 p. m. on 14/11/2021 for the following works:-

Sl. No.	Name of Work	E/Cost (Rs)	E/Money (Rs)	Cost of T/Form (Rs)	Time Allowed
1.	Renovation of IEI in the Conference Hall, including PA System, Addl. Chief Engineer-III room and Installation of Air-Conditoners at the Block -A, PWD, Complex	1824939	36499	500	30 days

1. The terms and conditions for the purchase of tender forms can be had from this office 11.30 a.m. to 4.30p.m. on any working day up to 10/12/2021.
2. Last date of submission of application form is 13/12/2021.
3. The earnest money should be deposited in the form of Demand Draft/ D-at Call drawn in favour of "**Executive Engineer, Electrical Division No. III, P.W.D., Manipur**" from any nationalized/ scheduled bank of India. The tender papers without Earnest Money in the prescribed manner will be rejected. The undersigned reserves the right to accept or to reject any tender or part thereof assigning any reason thereof.

Sd/- Executive Engineer,
Electrical Division No.III
P.W.D., Manipur.

HL-B/7345/8



No. 3/22/96-DIPR (Pt.I)/688
GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF INFORMATION & PUBLIC RELATIONS

ꯇꯦꯟꯗꯔ ꯈꯪꯍꯟꯕ / TENDER NOTICE
Imphal, the 4th December, 2021

The Directorate of Information & Public Relations (DIPR), Manipur invites sealed tenders from registered and reputed firms authorised dealers for supply of the following P.A. system equipments in the Directorate of Information & Public Relations, Manipur for official use.

Sl. No.	Particulars	Quantity
1.	LBL Line Array 12" Speaker Passive VRX-932LA-1	16 pcs.
2.	Crown Power Amplifier WTi-6002	4 pcs.
3.	Yamaha Digital Mixer TF-5	1 pcs.
4.	Sennheiser Cordless Microphone EW 500 G4-945	6 pc.
5.	JBL Stage Monitor Active SRX-815P	2 pcs.
6.	Line Frame with Truss Post	4 pcs.
7.	Speaker Wire Copper Transparent TP-150	3 pcs.
8.	Studio master amplifier DJA 800	1 pc.
9.	Ahuja Speaker SAX 200	2 pcs.
10.	Yamaha MG 12 Mixer	1 pc.
11.	Goose neck GM-601LM	1 pc.
12.	Goose neck GM-611LM	1 pc.
13.	Mic Base GBB 6C	2 pcs.
14.	Shure SM58 Vocal Mic	3 pcs.

The tenders will be received upto 2 p.m. of 23rd December, 2021 and the same will be opened at 3 p.m. of the same day in presence or absence of the tenderers as the case may be.

For details kindly visit at www.manipurtenders.gov.in or www.manipur.gov.in or visit DIPR, Manipur, Nityaipat Chutkek, Imphal during office hours.

Sd/- H. Balkrisna Singh
Director
Information & Public Relations
Govt. of Manipur

HL-B/7344/8

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।